

থোমজিনবা—ৱাটসন গুডম্যান

# রাহৌদোক্

ঈশ্বরগী রাহৈদি "স্বর্গদগীনি"। মসি তশেংনা অচুম্বা থিজরিবা থম্মোইগীদমক য়াম্না কান্নৈ। কনাগুম্বনা পুক্নিঙ হোংলবদি পাপ থাদোকই অহুদগী কনবিবা মপুবু হায়বদি খৃষ্ট যীশুবু থরায় য়াওনা থাজরকই, মাহুদা প্রভুনা মশামক্ থাজবা মীহুদা ফোংদোকপিহুনা মথম্মোইদা ঈংথবা অমস্যং হাবওবা পীনবি। ঐনা মসি শোক্ ১৯৩৭ তা হকথেংনজে ; অহুদগী অয়াম্বা মতম প্রভুগা ঐগগী অঙকপা শরুক ফংমিন্নবা অসি তংলক্তি। অহুনা ঐনা নথোয়দা হায়জরিবসিনি : নথোয়না মহু ফংলমদ্রিবা ওইরবদি হৌজিকমাক্ প্রভুদা কৎথোকচৌ। —রাটসন গুডম্যান

# ঈশ্বরগী মুংশিবা

### ফোংদোকপিবা ১ : ৫

অমসুং থাজবা য়াবা সাক্ষী, অশিবশিংদগী অহানবা পোকপা, অমসুং পৃথিবীগী নিংথৌশিংগী মপু ওইবা যীশু খৃষ্টগী থৌজাল অমসুং ইংথবা নখোয়দা লৈবিসনু। ঐখোয়বু নুংশিবিবা ইবুংঙোগী ঈনা ঐখোয়গী পাপ্তুগী ঐখোয়বু থাদোকপি।

### যোহন ৩ : ১৬

মরমদি ঈশ্বরনা তাইবঙপানববু অসুক নুংশিবিরে, হায়বদি, ইবুংঙো মহাক্কী অমতা ঙায়বা মচানিপা অহুবু পীবিরে ; অহুনা মচানিপা অহুবু থাজবা মী খুদিংনা মাঙদহুনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংননবনি।

# প্রভু যীশুদি ঈশ্বরনি

১ তীমোথীয় ৩ : ১৬

অমস্থং ঈশ্বর নীংবগী অথুপ্পা অহু অরুবনি হায়না পুন্নমক্কা য়াবনি ; ইবুংঙোবু হকচাং ওইনা ফোংদোকপিরে, ইবুংঙোগী থরায়দা ধর্ম্মচেনবা ওইহল্লে, স্বর্গদূত শিংনা উরে, জাৎশিংগী মরক্তা শন্দোকলে, তাইবঙপান্দা থজরে, মতিক মঙালগা লোয়ননা লৌথৎপিরে।

মাথী ১ : ২২, ২৩

প্রভুনা ব্বা তাকথোকপা মীবু হায়হনথিবা ব্বা অহু থুংননবগী দমক পুন্নমক অসি থোক্লরে, মাহুদি, য়েংউ, নৈশাবী অশেংবী অহনা মীরোন্দুনা মচানিপা অমা পোক্কনি, অমস্থং মথোয়না ইবুংঙোগী মমিং ইম্মানুয়েল কৌগনি ; মাহুগী অর্থদি ঐখোয়গা লৈমিন্নবা ঈশ্বর হায়বনি।

# যীশুদি ঈশ্বরগী মচানিপানি

১ যোহান ৪ : ১৫

যীশু খৃষ্টবু ঈশ্বরগী মচানিপানি হায়না কনাগুম্বনা হায়দোকচরববদি ঈশ্বরনা মঙোন্দা অমস্থং মহাক্না ঈশ্বরদা ইতত্তনা লৈ।

যিশাইয়া ৯ : ৬

মরমদি হুপামচা অমা ঐখোয়গী দমক পোকলে, মচানিপা অমা, ঐখোয়গী দমক পীবিরে ; অদুগা মহাক্কী মরেংবান্দা লৈবাক ঙাকপগী দায়িত্ব লৈগনি, অদুগা মহাক্কী মমিং, অঙকপা মন্ত্রী, কনথোইবা ঈশ্বর, লোম্বা নাইদবা মপা অমস্থং ইংথবগী যুবরাজ কৌগনি।

মরমদি ইবুংঙোদা ঈশ্বরগী ওইবগী অথনবা পূম্নমক্ হকচাং ওইনা পাল্লি।

কোলোসীয় ২ : ৯

# যীশুনা মশামক কনানো হায়বতু ঐখোয়দা হায়

যোহান ৬ : ৩৫

যীশুনা মখোয়দা হায়, ঐমক্ অহিংবগী অচাপোৎ অদুনি ; ঐঙোন্দা লাকপা মী অদু খক্ লামলোই ; অমসুং ঐঙোন্দা থাজবা মী অদুনা কদোমৈঙেদসু খোরাংলরোই।

যোহান ১০ : ৭

মরম অদুনা যীশুনা মখোয়দা অমুক হায়, ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৎশংনমক হায়রিবনি, ঐদি য়াউশিং অদুগী থোঙ অদুনি।

যোহান ১১ : ২৫

যীশুনা মঙোন্দা হায়, হিংগৎপা অদু অমসুং হিংবা অদু ঐমক্নি ; ঐবু থাজবা মী অদুনা শিরবসু হিংগনি।

## যীশুনা তৌখিবা অঙকপা খুদম খরা



**মাথী ২০ : ৩০, ৩৪**

অমস্তুং য়েংউ, লম্বী মপান্দা ফম্বা মিত্তাংবা অনিনা যীশু চংলি হারবা তাবদা লাউজরকই, দায়ুদকী মচানিপা, প্রভু, ঐখোয়বু থুংশিবিয়ু। অতুদা যীশুনা থুংশিবা পোক্লহনা মখোয়গী মিৎ শোকপিরে ; অমস্তুং খুদক অতুদা মমিৎ উবা ফংজরে। অতুদগী মখোয়না ইবুংঙোগী তুং ইঙ্গরে।

**লূক ৫ : ৪-৬**

অমস্তুং ইবুংঙোনা ঙাংবা অতু তোক্লবদা, সীমোন্দ হায় অরুবদা হোঙ্গিন্দুনা ঙা ফাননবা নখোয়গী ঈলশিং অতু হুন্থৌ। মতুদা সীমোন্না খুম্লকই, ঐখোয়না অহিং নোংশোইবা নোমজরবস্থু করিমতা ফংদে ; অতুবু ইবুংঙোগী য়াথং ইম্না ঈলশিং হুম্বজগে। অমস্তুং মখোয়না অসি তৌরবদা,

ঙা শঙ্গু অচৌবা অমা উপলে ; মতুনা মখোয়গী ঈলশিং অতু শেগায়বা
হৌরে ।

## ৬ যীশুদি শেম্বীবা মপুনি অমস্তুং প্রভুনি

কোলোসীয় ১ : ১৬

মরমদি স্বর্গদস্থ পৃথিবীদস্থ লৈবা, উবা পোৎ, উদবা পোৎ, ফম্বাল মথৈ, অঙম অথৌশিং, মপুশিং, খুৎকনপাঙ্গনবশিং ওইরবস্থ, ইবুংঙোদগী পূম্নমক্ শেমখ্রবা ওইরে ; পোৎ পূম্নমক্ ইবুংঙোগী মপান্না অমস্তুং ইবুংঙোগীদমক্ শেমখ্রে ।

পাথোনচৎপশিং ২ : ৩৬

মরম অতুনা নখোয়না ক্রোসতা হাৎখিবা যীশু অসিবু ঈশ্বরনা প্রভুস্থ খৃষ্টস্থ ওইহনবিরে হায়বা ইস্রায়েলগী ইমুং পূম্নমক্না থাঙ্গৈশেংনা খঙসনু ।

# যীশু খৃষ্টদি পূন্নমক্কী ৱায়েনবা মপুনি

পাখোনচৎপশিং ১০ : ৪২

অদুগা মীশিংদা পাউশন্দোক্নবা, অমসুং অহিংবশিংগা অশিবশিংদগী ৱায়েল মপু ঈশ্বরনা ওইহনবিবা অদু ইবুংঙো অসিনি হায়বা সাক্ষী পীনবা ইবুংঙোনা ঐখোয়দা য়াথং পীবিরে।

মাথী ২৫ : ৩২

অদুগা জাৎ পূন্নমকপু ইবুংঙোগী মাঙদা খোমজিনগনি ; য়াউশেনবনা হামেংদগী য়াউ খাইদোকপগুম, ইবুংঙোনা মখোয় অমদগী অমবু খাইদোক্কনি।

যোহান ৫ : ২২

মরমদি মপানা কনাবুসু ৱায়েন্দে, তৌইগুম্বসুং পূন্নমক্না মপাবু ইকাইখুম্নবগুম মচানিপা অদুবু ইকাই খুম্নবা মহাক্না ৱায়েনবা পূন্নমক মচানিপা অদুদা পীখ্রে।

# খৃষ্টগী মপানস্তা হন্দোকপিবা

পাখোনচ-পশিং ৪ : ১২

অমস্তুং অতৈ কনাদগীস্থু অরান খুবম লৈতে ; মবমদি মতুগী মপান্না ঐখোয়বু কনবিগদবা, মীশিংগী মরক্তা পীরবা, অতৈ মিং অমতা অতিয়াগী মখাদা লৈতে।

ইব্রীয় ৭ : ২৫

মরম অতুগী দমক ইবুংঙোগী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদা নকশিল্লকপশিংবু ইবুংঙোনা চংখোন্না কনবিবস্থু ঙমই, মরমদি ইবুংঙোদি মখোয়গী দমক ৱানোম্বিননবা তত্তনা হিংলিবনি।

যোহান ১৪ : ৬

যীশুনা মঙোন্দা হায়, লম্বী অহুস্থু, অচুম্বা অহুস্থু, হিংবা অহুস্থু ঐনি ; ঐগী ইপান্না নত্তনদি, মী কনা অমতনস্থু ইপাগী মফমদা থুংদে।

# যীশু খৃষ্টগী মপান্তনা হন্দোকপিবা

কোলোসীয় ১ : ১২-১৪

অদুগা মঙাল অদুদা অশেংবশিংগী ফংফম অদুগী শরুক ফংমিন্ননব। ঐখোয়বু মতিক্ চাবা ওইহনবিরবা নপাগী মফমদা নখোয়না থাগৎচদুনা পূমপেন পেনবা ফাওবা প্রভুগী মতিক্ চানা চংপা ওইননবনি ; ইপা অদুনা ঐখোয়বু অমম্বগী পাঙ্গন্দগী কনবিদুনা, ইবুংঙো মহাক্কী নুংশিবা মচানিপাগী লৈবাক অদুদা ঐখোয় হোংদোকপিরে ; ঐখোয়বু হন্দোকপিবা, হায়বদি ঐখোয়গী পাপ কোকপিবা অদু মচানিপা অসিদা লৈ।

তীতা ২ : ১৪

ঐখোয়বু অয়োল অরাল পূম্নমক্তগী হন্দোকপিননবা অমসুং অফবা থবক্তা থরায় য়াওবা অদুগা ইবুংঙোগী মরন্নাইগী মীবু ইবুংঙো মশাগী দমক্ শেংদোকপিননবা, ইবুংঙোনা ঐখোয়গী দমক্ মশামফপু পীবিরে।

# খৃষ্টগী ইনা শেংদোকপি

এফিসা ১ : ৭, ৮

ইবুংঙোগী ঈগী মপান্না হন্দোকপিবা, হায়বদি, ঐখোয়গী অয়োল অরান কোকপিবা, ইবুংঙো মহাক্কী যোজানগী অয়াম্বা মতুং ইন্না ইবুংঙোদা ঐখোয়না ফংজে। রোমীয় ৫ : ৯

মরম অতুনা অতুদগী হেন্না ইবুংঙোগী ঈনা হৌজিক্ চুমহনবিরবনিনা, ইবুংঙোগী মপান্না ঐখোয়বু ঈশ্বরগী অশাওবদগী কনবিগনি।

লোম্বা নাইদবা থন্নায়গী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদা অমকপা লৈতনা মশামক কংচন্নবা খৃষ্ট অতুগী ঈ অতুনা, হিংলিবা ঈশ্বরবু থৌগন তৌজনবা, অশিবা থবক্তগী ঐখোয়গী অচুম-অরান খঙনবা পুক্নিংবু কয়ামুক হেন্না শেংদোকপিগবা! ইব্রীয় ৯ : ১৪

যিশাইয়া ৫ : ১১

দ্রাক্ষারস থক্লবগী দমক অয়ুক ঙন্তা হৌগৎপা মীশিং অতুদা অরাবনিদা অতুগা দ্রাক্ষারসনা নিশা কাহনদ্রেবমথৈ অহিং তূমদনা ঙাইথবশিংদা অরাবনিদা ।

গালাতীয় ৫ : ১৯, ২০

হৌজিক হকচাংগী থবক্ ফোংদোকলি, মতুদি অসিশিংনি :—মীরুদ্বী থম্বা, শেংদবা, অপাইবা, খম্বনবা, য়ুঙাওবা ; লমচৎ হাপ্তবা, অতুগা অসিগুম্বা মান্নবা মথৈ ; অসিগুম্বা থবক মহৌশানা তৌরিবশিং অতুনা ঈশ্বরগী লৈবাক ফংলরোই হায়বা ঐনা নখোয়দা হান্না খঙহনখিবগুম্না ঐনা নখোয়দা অসিগী মরমদা মাঙজোননা খঙহল্লি ।

# পুকচেল শেংবতনা ওক্তে

মার্ক ১০ : ১৭-২২

অমহিকস্থং ইবুংঙোনা লম্বীদা অস্থম লেঙথোক্লকপদা, মী অমনা চেল্লক্লুনা ইবুংঙোগী মাংদা খুরু খুদক কুল্লগা ইবুংঙোদা হংজরকই, অফবা গুরু, লোম্বা নাইদবা হিংবা অতু ফংফম থোক্লনবা, ঐনা করি তৌজগদগে? মাত্নদা যীশুনা মাঙোন্দা হায়, নঙনা ঐবু করিগী অফবা কৌবগে? অমতা ঙায়বা ঈশ্বর নত্তনা অফবা কনাস্থ লৈতে। মী হাৎকনু, মুপী লান্নগনু, হূরানগনু, চুমদবা সাক্ষী পীগনু, লৌনম তৌগনু, নপা নমাবু ইকাই খুম্নৌ, হায়বা য়াথং নহাক্না খঙই। অমস্থং মহাক্না ইবুংঙোদা হায়রকই, গুরু, পূম্নমক অসি ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদগী ঙাকচরকই। অদুগা যীশুনা মাঙোন্দা য়েংদুনা নুংশিবিরে, অমস্থং মাঙোন্দা হায়রকই, নঙ থবক্

## থাজবনা খৃষ্টদা অরানখুবম

এফিসা ২ : ৮, ৯

মরমদি থৌজান্না নখোয়বু থাজবগী মপান্না কনবিরে ; অদুগা অসি নখোয়দগী নত্তে ঈশ্বরগী খুদোন্নি । মী কনা অমতনা চাউথোকতননবা থবক্কগী নত্তে ।

যোহান ৬ : ২৮, ২৯

মরম অদুনা মখোয়না ইবুংঙোদা হায়, ঈশ্বরগী থবক্ পূন্নমক্ তৌননবা, ঐখোয়না করি তৌবা তাবগে ? যীশুনা মখোয়দা খুমলকই, ইবুংঙো মহাক্না থারক্লবা মহাকপু নখোয়না থাজবা হায়বা অসি ঈশ্বরগী থবক্ অদুনি ।

১ যোহান ৫ : ৪

মরমদি ঈশ্বরগী পোক্লবা খুদিংনা তাইবঙপানববু ঙমই ; অদুগা তাইবঙপানববু ঙমলবা মঙম অদু অসিনি, হায়বদি ঐখোয়গী থাজবনি ।

# ঈশ্বরগী থৌজাল

### ঈশৈলাইরিক ১০৩ : ১১

মরমদি পৃথিবীগী মথক্তা অতিয়ানা য়াংবগুম্না ইবুংঙো মাবু কিবা মীশিংগী মফমদা ইবুংঙোগী থৌজাল অদু চাউই।

### ঈশৈ লাইরিক ১০৩ : ১৭

তৌইগুম্বস্নুং প্রভুগী থৌজালদি ইবুংঙোবু কিবশিংগী মথক্তা হোংবা নাইদবদগী লোম্বা নাইদবা মতম ফাওবা লৈ ; অদুগা ইবুংঙোগী ধর্ম্মচেনবদি মচাশিংগী মচা ফাওবা লৈ।

### তেংথা ঈশৈ ৩ : ২২, ২৩

প্রভুগী থৌজালতনা ঐখোয় মাঙদে, মরমদি ইবুংঙোগী মুংশি থোজালদি লোম্বা নাইদে। ইবুংঙোগী মুংশি থৌজালদি অয়ুক খুদিং নৌই ; ইবুংঙোগী নিঙবিবদি য়াম্না চাউই।

যিশাইয়া ১ : ১৮

প্রভুনা হায়, লাকউ, ঐখোয় খন্নসি ; নখোয়গী পাপ পূম্বা সিন্দুর গুম্লবস্থ উলগুম্না ঙৌগনি ; ঈগুম ঙাংলবস্থ পশোংকুমগনি ।

মাথী ১১ : ২৮

থবক য়ানা শূবা অমস্তং পোৎলুম পুবা পূম্নমক ঐঙোন্দা চঙজরকউ ; অমস্তং ঐনা নখোয়বু পোথাহনবিগনি ।

ফোংদোকপিবা ২২ : ১৭

থরায় অতুনস্থ মৌ অনৌবী অতুনস্থ হায়, লাকউ । অতুগা অতাবা মহাক অতুনা, লাকউ হায়সনু । অমস্তং খৌরাংবা মহাক অতুনা লাকসনু, অপাম্বা মহাক অতুনা হিংবগী ঈশিং অতু লেম্না থকসনু ।

তৌইগুম্বস্নুং ইবুংঙোবু লৌশিল্লবা মথৌদা, হায়বদি ইবুংঙোগী মিংদা থাজবা মখোয় অতুদা ঈশ্বরগী মচাশিং ওইরক্লনবা ইবুংঙোনা মতিক পীবিরে। যোহান ১ : ১২

অসিদা ঈশ্বরগী মচাশিং অমস্নুং দিয়াবোলগী মচাশিং ফোংদোকপনি। ১ যোহান ৩ : ১০

অচুম্বা তৌদবা মী অত্তু অমস্নুং মচিন মনাওবু হুংশিদবা মী অত্তু ঈশ্বরদগী নত্তে। রোমীয় ৮ : ১৪, ১৫

মরমদি ঈশ্বরগী থরায়না চিংবিরিবা মথৈ অসিদি ঈশ্বরগী মচা নিপাশিংনি। মরমদি নখোয়না অমুক্ কিননবা মীওইবগী থরায় ফংবা নত্তে, অত্তুবু যোকচবা মচানিপা ওইবগী থরায় নখোয়না ফংলে; অত্তুগা ঐখোয়না আব্বা! ইপা! লাওজে।

অমা ৱাংলি ; চংলো, নঙগী অৱৈ অৱৈবা য়োম্থোক্ন লাইৱবশিংদা পীনৌ, অদুগা স্বৰ্গদা নঙগী লল লৈগনি ; অদুগা লাকউ, ইতুং ইঞ্জৱৱাও। তৌইগুম্বস্থং হায়ৱিবা অসিনা মহাক্কী মমায় মমলে, অদুগা মহাক ৱানা চথোকখ্রে ; মৱমদি মহাক্ মৱল য়াম্না লৈবা অমা ওইৱম্মি।

## নথোয়বু মীনমহনগন্থু



১ কোৱিন্থীয় ৬ : ৯, ১০

অদুগা ধৰ্ম্মচেন্দবশিংনা ঈশ্বৱগী লৈবাক ফংলোই হায়বা নথোয়না খঙদৱ্রা ? নথোয়বু মীনমহনগন্থু ; মৰুম্বী থম্বা, লাইমূৰ্ত্তি লাংপা। মীতূ-মীৱা লান্নবা, অথংপা থবক তৌবা, মতাও তৌনবা, হূৱানবা, কাৱাম্বা, য়ুঙাওবা, ৱাহৈ থীবা, অমস্থং নমজা-নম-থেক্নবা, মথোয় অসিনা ঈশ্বৱগী লৈবাক ফংলৱোই।

# পাপনা শিবা পুরকই

রোমীয় ৫ : ১২

মরম অতুনা মী অমগী মরম্না পাপ অমস্তং পাপকী মরম্না শিবা তাইবঙপান্দা চংলে ; অতুগা অস্থম তৌনা মী পুম্নমক্তা শিবা থংথরে, মরমদি থ্বাইমক্না পাপ ইতৌ তৌরে।

যাকোব ১ : ১৫

মাতুদা অপাম্বা অতুনা মীরোম্লবদা পাপ পোকই ; অতুগা পাপ অতুনা মপূং ফারবদা শিবা পোকই।

লূক ১৫ : ৩২

তৌইগুম্বস্তং মাসি হরাও নুংঙাইগদবমক্নি, মরমদি ননাও অসিদি শিথিবদগী হিংলক্লবনি ; মাঙথিবদগী ফংলবনি।

# খৃষ্টনা শিববু ঙমখি

যোহান ১০ : ১৭, ১৮

মরম অসিগী দমক্ ইপানা ঐবু নুংশি, মরমদি ঐনা ঐগী থরায় অমুক লৌশিন্নবা ঐনা থন্নায় থায়। কনানস্থ ঐঙোন্দগী ইথরায় লৌদে, অতুবু ঐ ইশা ইথন্তা থাদোকচবনি। ঐনা মাতু থাদোক্লবা ইতিক লৈ ; অতুগা ঐনা মাতু অমুক লৌশিন্নবা ইতিক লৈ ; য়াথং অসি ঐনা ইপাদগী ফংজরে।

ফোংদোকপিবা ১ : ১৮

ঐদি হিংলিবা অতুনি ; অমস্তুং ঐদি শিরক্লে, অতুগা য়েংউ, ঐদি লোম্বা নাইদনা হিংলি, অমস্তুং শিবগী অতুগা থম্মুং লৈবাক্কী শো ঐঙোন্দা লৈ।

# ঈশ্বরগী রায়েল য়াথং

### রায়েল য়াথং অনিশুবা লাইরিক ৫ : ৭-২১

ঐগী মাঙদা নহাক্কী লাই অতৈ লৈতসন্নু। নহাক নশাগী দমক হত্তুনা য়েকপা মূর্ত্তি শাগন্নু, নত্রগা নোংথক্কী স্বর্গ নত্রগা নোংথাগী পৃথিবীদা লৈবা নত্রগা পাতালগী, ঈশিংদা লৈবা করিগুম্বা পোৎ অমতগী মূর্ত্তি শাগন্নু : নহাক মহুশিংগী সেবাস্থ তৌগন্নু…নহাক্কী প্রভু ঈশ্বরগী মিং অরেম্বদা লৌগন্নু, মরমদি কনাগুম্বনা ইবুংঙোগী মিং অরেম্বদা লৌরবদি প্রভুনা মহাকপু অয়োল অরাল লৈতবা ওইহললোই। নহাক্কী প্রভু ঈশ্বরগী য়াথং মতুং ইন্না পোথাবা নুমিৎ ঙাক্তুনা শেংহল্লু। নুমিৎ তরুককনি নোমলিকউ, নশাগী থবক্ পূম্বা তৌ ; তৌইগুম্বস্নং তরেৎনিশুবা

হুমিংতি নহাক্কী প্রভু ঈশ্বরগী পোত্থাবা হুমিংনি। নপা নমাবু ইকইখুম্নৌ, মাহ্ন প্রভু নহাক্কী ঈশ্বরগী য়াথংনি···মী হাংকন্নু। মীতু-মীন্না লান্নগন্নু। হূরানগন্নু। কৈরোই মচাগী মায়ওক্তা মীনম্বা সাক্ষী পীগন্নু। নহাক্কী কৈরোইমচাগী হুপীবু কল্লকন্নু, কৈরোই মচাগী য়ুম্বু, মাগী লৌবুক নত্রগা মাগী মনাই নত্রগা মনাই নুপীবু, মাগী শলবু, নত্রগা মাগী গাধাবু, নত্রগা কৈরোইমচাগীনি হায়বা করিগুম্বা পোৎ অমতবু কারামগন্নু।

## নওনা ঈশ্বরদগী নথেবা ওমলোই

২১

লুক ৮ : ১৭

মরমদি ফোংদোকলোইদবা অরোৎপা করিস্থ লৈতে; অতুগা খঙলোইদবা অমস্থং ফোংদোক লোইদবা অথুপ্পা করিস্থ লৈতে।

মরমদি ইবুংঙোগী মিৎতি মীওইবগী লম্বেলদা লৈ, অমস্থং ইবুংঙোনা মহাক্কী খোঙচৎ লোইনা উই। ধর্ম্মচত্তবা মীশিংনা লোৎপা য়াবা অমম্বস্থং শিবগী মমিস্থ লৈতে।

যিরমিয় ২৩ : ২৪

প্রভুনা হায়, কনাগুম্বনা ঐনা উদনবা অরোনবা মফমদা লোৎপা ঙম্বা ? ঐনা স্বর্গস্থ পৃথিবীস্থ থনবা নত্রা ? প্রভুনা অসি হায়।

ঐনা স্বর্গদা কাখৎলবস্থ ইবুংঙো মাহুদালৈ ঐনা পাতালদা ফমুং শেমলবস্থ, য়েংউ মফমহুদা ইবুংঙো লৈ···হোয়, অমম্বনস্থ ইবুংঙোদগী লোৎতে ; তোইগুম্বস্থং অহিংনা স্থংথিলগুম্না মঙাল পী : অমম্বস্থ অঙানবস্থ ইবুংঙোদা অমত্তনি। ঈশৈ লাইরিক ১৩৯ : ৮, ১২

# ঈশ্বর নিঙদবশিংগী লোম্বা নাইদবা দণ্ডি

ঈশৈ লাইরিক ৯ : ১৭

ফত্তবা মীতু পাতালদা হলহনগনি অতুগা ঈশ্বরবু কাউরবা জাতিশিংসু হলহনগনি।

মাথী ১৩ : ৪১, ৪২

মীগী মচা নিপা অতুনা মহাক্কী স্বর্গদূতশিং থারক্কনা, খুদি থীহনবা পূম্নমক্ অমসুং অয়োল অরাল তৌবশিংবু ইবুংঙোগী লৈবাক্কী খোমজিনতুনা মখোয়বু মৈগী কোমদা লংশিনগনি। মফম অতুদা কপ্পা অমসুং ময়া ক্রক ক্রক চিকপা ওইগনি।

মাথী ২৫ : ৪৬

অমহিকসুং পূম্নমক্ অসিনা লোম্বা নাইদবা দণ্ডিদা, তৌইগুম্বসুং ধর্ম্মচেনবশিংনা লোম্বা নাইদবা হিংবদা চংকনি।

পাখোনচৎপশিং ১৭ : ৩১

মরমদি ইবুংঙো মহাক্না খন্দোকখ্রবা নিপা অমনা তাইবঙপানববু অচুম্বদা রায়েনগদবা নুমিৎ অহু থাহুনা থম্বিরে। ইবুংঙো অসিবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপিরবা অসিনা মী পূম্নমক্তা থাজফম ওইনবা ইবুংঙো মহাক্না পীবিরে।

রোমীয় ১৪ : ১২

অহুনদি ঐখোয় মী খুদিংনা ঈশ্বরদা মশা মশাগী মরম পীজগনি।

অসিদা নুংশিবা অহু ঐখোয়গা চঙখোনমিন্নরে, অহুনা ঐখোয়না রায়েলগী নুমিত্তা থৌনা ফনবনি, মরমদি ইবুংঙোনা ওইরিবগুম্না ঐখোয়নসু তাইবঙপাল অসিদা ওইরি। ১ যোহান ৪ : ১৭

# প্রভু যীশুগী থৌজাল

রোমীয় ৯ : ১৬

অতুনদি মাদি নিঙলিবা মহাক্কীস্থ নত্তে, চেল্লিবা মহাক্কীস্থ নত্তে, অদুবু ন্নুংশিহৈবা ঈশ্বরগীনি।

১ পিতর ৫ : ৫ (ক)

মরমদি ঈশ্বরনা চাউথোকপশিংবু থিংই, অদুবু নোল্লুকপশিংদা থৌজাল পীবি।

২ কোরিন্থীয় ৮ : ৯

মরমদি ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী থৌজাল অদু নখোয়না খঙই ; হায়বদি, ইবুংঙোনা ইনাক্‌খুল্লম্নবস্থ, ইবুংঙোগী লাইরবগী মপান্না নখোয়না ইনাকখুনবা ওইরক্লনবা, নখোয়গী মরমগী দমক্ ইবুংঙোনা লাইরবা ওইরক্লে।

# পুক্নিঙ হোংবা

মাথী ৩ : ২

নখোয় পুক্নিঙ হোংলো, মরমদি স্বর্গ লৈবাক্ অতু নকশিল্লকলে।

পাথোনচৎপশিং ৩ : ১৯

মরম অতুনা নখোয়গী পাপ থিবিক্ মুংথৎপিননবা নখোয়না পুক্নিঙ হোংতুনা অমুক ওল্লকউ ; অসুম তৌবদা প্রভুগী মাঙদগী ইংথবগী মতম লাক্লনবনি।

২ কোরিন্থীয় ৭ : ১০

মরমদি ঈশ্বরগী নিঙবিবা মতুং ইন্না পুক্নিঙ রাবা অতুনা অরান থুবম ফাওবা নিঙমদবা থোক্তবা পুক্নিঙ হোংবা ওইহল্লি ; অদুবু তাইবঙপানবগী পুক্নিঙ রাবা অতুনা শিবা থোকহল্লি।

# পাপ কোকপিবা পীনবা

কোংদোকপিবা ৩ : ২০

য়েংউ, ঐনা থোঙদা লেপ্তুনা য়ৈরি ; কনাগুম্বনা ঐগী থোঞ্জেল তাহনা থোঙ অহু হাংজরবদি ; ঐনা মাঙোন্দা চঙাহুনা মহাক্কা অহুগা মহাক্না ঐগা চামিন্নগনি ।

মরমদি নথোয়না মীশিংগী অয়োল অরান কোকপিরবদি, নথোয়গী স্বর্গগী নপানা নথোয়বুসু কোকপিগনি । মাথী ৬ : ১৪

যিশাইয়া ৫৫ : ৭

ফত্তবনা মশাগী লম্বী, ধর্ম্মচেন্দবনা মশাগী ৱাখল থাদোকসনু ; অহুগা মহাক্না প্রভুগী মফমদা হল্লকসনু, মহুদা ইবুংঙোনা মহাক্কী মফমদা থৌজালবিগনি ; মরমদি ইবুংঙোনা মরাঙকায়না ঙাকপিগনি ।

# তাইবঙপানদগী তোঙানবা

কোলোসীয় ৩ : ২

মথক্লোমদা লৈবা পোৎ অতুদা নখোয়গী পুক্নিঙ থম্মু, পৃথিবীদা লৈবা অতুদা থমগনু। এফিসা ৫ : ১১

অতুগা অমম্বগী মহৈ য়ান্দবা থবক অতুগা নপাং ওইমিন্নগনু, অতুবু অতুগী মহুত্তা মরাল ফোংদোকহল্লু।

তাইবঙপানববু অমসুং তাইবঙপানবগী মতুংদা লৈরিবা পোৎশিং অতুবু নুংশিগনু। কনাগুম্বা মীনা তাইবঙপানববু নুংশিরবদি মপাবু নুংশিবা অতু মাংগোন্দা লৈতে। মরমদি তাইবঙপান্দা লৈরিবা পুম্নমক, হকচাংনা পাম্বা, মিৎনা পাম্বা অমসুং পুন্সিগী নাপল ইপাদগী নত্তে, অতুবু তাইবঙপান্দগীনি। ১ যোহান ২ : ১৫, ১৬

# নৌনা পোকপা

১ পিতর ১ : ২৩

মরমদি মাঙবা য়াবা মরুদগী নত্তনা, মাঙবা য়াদবদগী, হিংবা অমস্নং লেংডদনা লৈবা ঈশ্বরগী ৱা অতুগী মপান্না নখোয়বু অমুক হন্না পোকপিরে।

১ যোহান ৫ : ১৮

ঈশ্বরদগী পোক্লবা মী খুদিং পাপ চেন্দে, অদুবু ঈশ্বরদগী পোকখ্রবা মহাক অদুনা মশাবু শেন্নজৈ, অমস্নং ফত্তবা অমা অদুনা মহাকপু শোক্তে হায়বা ঐখোয়না খঙই।

যোহান ৩ : ৩

যীশুনা মাঙোন্দা খুমলকই, ঐনা নঙোন্দা থাঙ্গৈশেংনমক হায়রিবনি কনাগুম্বনা নৌনা পোক্তৃবদি, মহাক্না ঈশ্বরগী লৈবাক অদু উবা ঙমদে।

# পাপ্তা শিবা—খৃষ্টদা হিংগৎপা

গালাতীয় ৫ : ২৪

অমস্তুং খৃষ্ট যীশুগী ওইবশিংনা হকচাং অহু মাগী অপাম্বা অমস্তুং অপাইবা অতুগা লোয়ননা ক্রোসতা হাৎখ্রে।

রোমীয় ৬ : ২, ১১

মাতু থক ওইদসনু! পাপলোমদা শিথ্রবা ঐখোয়না মাতুদা হেন্না কুইনা করম্না পানগদগে? মতৌ অতুগুম্না নখোয়স্থ নশা, নথন্তা শিরবনি, অতুবু ঈশ্বররোমদা খৃষ্ট যীশুদা হিংলিবনি হায়না শীংখানজৌ।

কোলোসীয় ৩ : ১

অতুনা নখোয় খৃষ্টগা লোয়ননা হিংগৎ মিন্নরবদি, মথক্লোম অতুদা লৈবা পোৎ অতু থিযু, মাতুদা খৃষ্টনা ঈশ্বরগী য়েৎথংবদা ফমলিবনি।

# মুংদা লৈবা খৃষ্টনা হরাওবা পীবি

ঐগী হরাওবা নখোয়দা লৈননবা, অমসুং নখোয়গী হরাওবা মপূং ফাহন্নবা, রারমশিং অসি ঐনা নখোয়দা হায়রে। যোহান ১৫ : ১১

ঈশৈলাইরিক ১৬ : ১১

ইবুংঙোনা ঐঙোন্দা হিংবগী লম্বী তাকপিগনি ঃ ইবুংঙোগী থুং য়েত্তা মপূংফাবা হরাওবা লৈ ; ইবুংঙোগী থুং য়েত্তা মতম কুইনগী নুংঙাইবা লৈ।

ঐবু খৃষ্টগা লোয়ননা ক্রোসতা শিমিন্নহনবিরে ; অমসুং হৌজিক হিংজরিবা ঐনা নত্তে, অদুবু ঐগী নুংদা খৃষ্টনা হিংবিবনি ; অদুগা ঐনা হৌজিক হকচাংদা হিংজরিবা মহিং অদু ঐবু নুংশিবিরবা অমসুং ঐগীদমক্ ইবুংঙো মশামকপু পীথোকপিরবা ঈশ্বরগী মচা নিপাবু থাজবা অদুগী মপান্না ঐনা হিংজবনি। গালাতীয় ২ : ২০

# প্রভুগী হায়বা ইংবা দরকারনি

রোমীয় ৬ : ১৬

শিবা থোকহনবা পাপকী ওইরবস্থু, ধর্মচেনবা থোকহনবা হায়বা ইনবগী ওইরবস্থু, হায়বা ইন্নবা নখোয় নশামক মীনাই ওইনা কখোক্লবদা, নখোয়না হায়বা ইল্লিবা মহাক অতুগী মীনাইশিংনি হায়বা নখোয়না খঙদ্রা?

২ থেসলোনিকীয় ১ : ৭-১০

নখোয়বু অরা নংহনবশিংদা অরা অনং, অমস্থুং অরা অনং ফংবা নখোয়দা ঐখোয়গা লোয়ননা পোথাবা পীবা ঈশ্বরগী মিৎয়েংদা অচুম্বনি। মতম অতুদা ঈশ্বরবু খঙদবশিংদা অমস্থুং ঐখোয়গী প্রভু যীশুগী অফবা রাপাউ ইন্দবশিংদা ইবুংঙোনা লমন থুম্বিগনি। ইবুংঙোনা মহাক্কী অশেংবশিংদগী থাগৎপা ফংননবা, অমস্থুং থাজবশিং পূন্নমকপু ( মরমদি ঐখোয়গী সাক্ষী নখোয়না থাজরে ) ঙকহন্নবা, ঈবুংঙোনা লেঙবিরকপা

# লোমদবা পুন্সি

রোমীয় ৬ : ২৩

মরমদি পাপকী অতোৌমন্দি শিবনি, তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী চানবিবা খুদোন্দি ঐখোয়গী প্রভু খৃষ্ট যীশুদা লোম্বা নাইদবা হিংবনি।

যোহান ১৭ : ৩

অমসুং অমতা ঙায়বা অচুম্বা ঈশ্বর ইবুংঙোবু অমসুং ইবুংঙোনা থারকপা যীশু খৃষ্টবু মখোয়না খঙবা, মাসি লোম্বা নাইদবা হিংবা অতুনি।

ঐনা নখোয়দা থাঙ্গৎশেংনমক হায়রিবনি, ঐগী ৱা তাবা অমসুং ঐবু থারকপা ইবুংঙো মহাকপু থাজবা মহাক অতুনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংলে ; অতুগা ৱায়েনবদা মহাক্ য়াওরোই, তৌইগুম্বসুং মহাক্তি অশিবদগী অহিংবদা লাম্থোকলে।

যোহান ৫ : ২৪

# অরান খুবমদি অরেপ্পনি

অসিনা ঐখোয়না ইবুংঙো মাঙোন্দা অমস্তুং ইবুংঙো মহাক্না ঐখোয়দা ইতত্তুনা লৈ হায়বা ঐখোয়না খঙই মরমদি ইবুংঙো মহাক্না ঐখোয়দা ইবুংঙো মহাক্কী থৱায়দগী থাইবিরে। ১ যোহান ৪ : ১৩

যিশাইয়া ৩২ : ১৭

অমস্তুং ধর্মচেনবগী থবক্তি ইংথবনি ; অদুগা লোম্বা নাইদবা মতমগী দমক লেঙদবা অমস্তুং চিংনবা লৈতবা অদু ধর্মচেনবগী ফল ওইগনি।

যোহান ১৪ : ২১

ঐগী য়াথং ফংলবা অমস্তুং মাদুবু ঙাকপা মহাক্ অদুমক্না ঐবু নুংশিবনি ; অদুগা ঐবু নুংশিবা মহাক্ অদুবু ঐগী ইপানা নুংশিগনি, অমস্তুং ঐনা মহাকপু নুংশিদুনা মঙোন্দা ইপা ইথন্তবু ফোংদোকচগনি।

অমিৎ অতুদা অতুগুম্বা মীশিংনা মথোয়গী রাকোং, হায়বদি, প্রভুগী মাংদগী অমসুং ইবুংঙোগী পাঙ্গনগী মতিক মঙান্দগী লোম্বা নাইদনা মাঙবা থাঙগনি।

## খ্রীষ্টবু মীগী মাঙদা য়াবা দরকাররনি ৩৫

রোমীয় ১০ : ৯, ১০

মরমদি নঙনা নঙগী নচিন্না যীশুবু প্রভুনি হায়দোকচরগনি, অমসুং অশিবশিংগী মরক্তগী ইবুংঙোবু ঈশ্বরনা হিঙ্গৎপিরে হায়রা নঙগী পুক্লিঙদা থাজরগদি, নঙবু কনবিগনি। মরমদি মীনা ধর্ম্মচেনবা ফংননবা পুক্লিঙনা থাজে, অমসুং অরান খুবম ফংননবা মচিন্না হায়দোকচৈ।

মচানিপা অতুবু য়াদবা মী খুদিংনা মপাবুসু ফংদে। মচানিপা অতুবু য়াবা মহাক অতুনা মপাবুসু ফংই। ১ যোহান ২ : ২৩

# সৈতানসি ঐখোয়গী 'অচৌবা য়েক্লবনি

১ পিতর ৫ : ৮

পুক্নিঙ লাকশিল্লু, মিৎশেং থাওউ ; নখোয়গী য়েক্লবা দিয়াবোলনা খোংলিবা নোংশাগুম্না কনাগুম্ববু চাথোক্লনবা থিতুনা কোয়চৎ চৎলি ।

মাথী ৪ : ১ ; ১০, ১১

অতুদগী দিয়াবোলনা থেম্নবা যীশুবু থৱায়না নমজাউদা পুখৎলে। মাতুদা যীশুনা মাঙোন্দা হায় চৎখ্রো, সৈতান ; মরমদি অসি ইতুনা লৈ, নঙনা প্রভু নঙগী ঈশ্বর অতুবু খুরুমজগদবনি, অমত্তং ইবুংঙো মহাক্তবু নিঙগদবনি। অতুদগী দিয়াবোল অতুনা ইবুংঙোবু থাদোক্লম্মি ; অমত্তং য়েংউ, স্বর্গদূত শিংনা লাক্লতুনা ইবুংঙোবু থৌগল তৌরম্মি।

# 'সৈতানবু ওম্বা

পাপচেনবা মহাক অদু দিয়াবোলদগীনি ; মরমদি দিয়াবোলদি অহৌবদগী পাপ চেল্লি। দিয়াবোলগী থবক মাঙহন্নবগী দমক ঈশ্বরগী মচানিপা অদুবু ফোংদোকপিরে। ১ যোহান ৩ : ৮

২ থেসলোনিকীয় ২ : ৮

অমসুং মতম অদুদা ব্লায়েল যাথং ইন্দবা মহাক্ অদুবু ফোংদোকনি ; প্রভু যীশুনা ইবুংঙোগী চিনগী মুংশাম্বোরনা মহাকপু হাত্তুনা, ইবুংঙো লেঙবিরকপা উহনবনা অরেম্বা ওইহনগনি।

মরম অদুনা ঈশ্বরগী মখা পোল্লু ; অদুবু দিয়াবোলগা মায়ওক্নৌ, অদুগা মহাক্না নখোয়দগী চেনগনি। ঈশ্বরদা নকশিল্লু, অদুগা ইবুংঙো মহাক্না নখোয়দা নকশিনবিগনি। যাকোব ৪ : ৭, ৮ (ক)

# নুংশিবনা সেবোকশিংগী চাংয়েংনি

যোহান ১৩ : ৩৫

নখোয়দা অমগা অমগা নুংশিনবা লৈরবদি, অসিনা মী পূম্নমক্না নখোয় ঐগী সেবোকনি হায়না খঙগনি।

১ যোহান ৪ : ২০

কনাগুম্বা মীনা, ঐনা ঈশ্বরবু নুংশি, হায়রগা মচিন মনাওবু তুক্কচরবদি, মহাক্তি চিন্থীবা মীনি ; মরমদি মহাক্না উরবা মচিন মনাওবু নুংশিদবা মহাক অতুনা উদ্রিবা ঈশ্বরবু নুংশিবা ঙমদে।

গালাতীয় ৫ : ২২, ২৩ (ক)

তৌইগুম্বস্নুং থব্বায়গী মহৈদি ঃ নুংশিবা, হরাওবা, ইংথবা, কুইনা থাওবিবা, চানবিবা, অফবা, থাজবা, পুক্নিং তপ্পা, মপা খুতুম চঙ্গবা অসিনি।

# প্রভু যীশু হিংগৎপা

রোমীয় ৪ : ২৫

যীশুবু ঐখোয়গী অয়োল অরানগী দমক পীথোক্লে, অমস্থং ঐখোয়বু ধর্ম্মচেনবা ওইহন্নবগী দমক হিঙ্গৎপিরে।

অমহিকস্থং স্তুমিৎ নিপান্নিগী মতুংদা অমুক ইবুংঙোগী সেবোকশিং ইমুংদা লৈরম্মি, থোমাস্থ মখোয়গা লোয়নরম্মি। থোঙ পুন্নমক লোনখ্রবদা, যীশুনা লেঙশিল্লক্কুনা, ময়ায়দা লেপ্লগা হায়, নখোয়দা ইংথবা ওইসন্থ। মাতুদা ইবুংঙোনা থোমাদা হায়, নঙগী খুদোনবী অসি তান্না লামথোক্লককউ, অতুগা ইখুৎ অনি য়েংউ ; অমস্থং লামথোক্লক্কুনা, ঐগী পুক্লোপ্তা হাপচিল্লু ; অতুগা থাজদ্রবস্থ, থাজৌ। থোমানা ইবুংঙোদা খুমজরকই, হে ঐগী প্রভু, হে ঐগী ঈশ্বর ! যোহান ২০ : ২৬-২৮

# যীশুগী হিগৎপা অসি ঐখোয়গী অথোইবা থাশানি

রোমীয় ৬ : ৩-৫

নত্রগা, খৃষ্ট যীশুগীদা বাপ্টাইস লৌখ্রবা ঐখোয় মখৈনা ইবুংঙোগী শিবগীদা বাপ্টাইস লৌরে হায়বা নখোয়না খঙদ্রা ? মরম অদুনা মপাগী মতিক্ মঙানগী মপান্না খৃষ্টবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপিবগা মান্ননা, ঐখোয়নসু হিংবগী অনৌবা মচৎ চৎপা য়ানবা, শিবগীদা বাপ্টাইস লৌবগী মপান্না ঐখোয়বু ইবুংঙোগা ফুম্মিন্নরে। মরমদি ঐখোয়গী ইবুংঙোগী শিবগী মতৌদা ইবুংঙোগা লোয়নন। তিন্নরক্লবদি ইবুংঙোগী হিংগৎপগী মতৌদসু ঐখোয় তিন্নগনি।

# প্রভুগীদমক ইশা শেংনা থমজবা

মাথী ৩ : ১১

পুক্লিঙ হোংবগী মরম্না ঈশিংদা ঐনা নখোয়বু বাপ্টাইস তৌবি ; অদুবু ঐগী ইতুংদা লেঙলক্লিবা ইবুংঙোসিদি ঐঙোন্দগী মতিক হেল্লি ; ঐদি ইবুংঙোগী খুগ্রাং পুবা য়োনা ইতিক চাদে ; ইবুংঙোনদি নখোয়বু থরায় অশেংবদা অমস্তুং মৈদা বাপ্টাইস তৌবিগনি ।

লূক ১ : ৭৪, ৭৫

ঐখোয়বু ঐখোয়গী য়েক্নবশিংগী খুত্তগী কনবিরগা, ইবুংঙো মহাক্কী মাংদা অকিবা লৈতনা, পুক্লিঙ শেংবদসু ধর্ম্মচেনবদসু ঐখোয়গী পুন্সি চুপ্পা ইবুংঙো মহাকপু থৌগন তৌজবা য়াবিননবা তৌবিরে ।

# থরায় অশেংবনা থল্লবা মী

রোমীয় ৮ : ৯

তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরগী থৱায়না নখোয়দা লৈরবদি, নখোয়না হকচাংদা লৈবা নত্তে, থৱায়দা লৈবনি। অদুবু কনাগুম্বা মীদা খৃষ্টগী থৱায় লৈত্রবদি, মহাক্তি ইবুংঙোগী ওইদে।

পাখোনচৎপশিং ৪ : ৩১

অমসুং মখোয়না হায়জরবদা, মখোয়না তিন্নরিবা মফম অদু নিকলে ; অদুগা মখোয় পুম্নমক্ থৱায় অশেংবনা থল্লদুনা, থৌনা ফনা ঈশ্বরগী ৱা ঙাংলকই।

যিহিস্কেল ৩৬ : ২৭

অমসুং ঐগী থৱায়বু নখোয়গী নুংদা হাপপিগনি, অদুগা নখোয়বু ঐগী নিয়ম ইলহনগনি ; নখোয়না ঐগী শাসন পুম্বা ইনগনি অমসুং ঙাকনি।

# খৃষ্টানশিংদা শকপিবা অঙকপা রাশক্

ফোংদোকপিবা ২১ : ৪

অদুগা ইবুংঙো মহাক্না মখোয়গী মমিত্তগী মপি পূম্নমক তৈথোকপিগনি, শিবস্থ অমুক হন্না লৈররোই, অদুগা তেংথাবা, কপ্পা অমস্তুং নাবা অমুক হন্না লৈররোই ; অহানবা পোৎ মথৈ অদু লাম্থোকখ্রে।

১ পিতর ৪ : ১২, ১৩

অচানবশা, নখোয়বু চাং য়েংননবা নখোয়গী নথক্তা লাক্লিবা মৈচাক অদুদা, করিগুম্বা অঙকপা থবক্ নখোয়দা থোকপনি হায়দুনা ঙক্কনু। তৌইগুম্বস্তুং খৃষ্টগী মতিক মঙান ফোংদোকপা মতমদা নখোয়না থোইদোক্ হেন্দোক্না নুংঙাইনা হরাওননবা, খৃষ্টগী অৱা অনং থাঙবগী শরুক ফংমিন্নবা নখোয় অদুপকী মথৈ হরাওজো।

# অথেম্বদা তারবশিংদা পীবিবা ৱাশক্

রোমীয় ১৬ : ২০

অমস্থং থরা লৈরগা ইংথবগী ঈশ্বরনা সৈতানবু নখোয়গী খোঙখাদা তহৎহনগনি।

ঈশৈ লাইরিক ৩৪ : ১৯

ধর্মচেনবশিংগী খুদোংথীবা য়ামই, তৌইগুম্বস্থং গন্নমক অসিদগী প্রভুনা মখোয়বু কনবি।

১ কোরিন্থীয় ১০ : ১৩

মীওইবনা খাঙবা ঙম্বা অতুদগী হেন্না অথেম্বনা নখোয়বু ফাদ্রি। তৌইগুম্বস্থং ঈশ্বরদি থাজবা য়াবনি, নখোয়না ঙমজবা অতুদগী হেন্না নখোয়বু থেম্নবা ইবুংঙো মহাক্না য়াবিরোই, অদুগু নখোয়না খাঙবা ঙম্নবা অথেম্বগা লোয়নননা লানবিনবস্থ ইবুংঙো মহাক্না শেমবিগনি।

# ঙমবশিংদা শকপিবা রাশক্

ফোংদোকপিবা ২১ : ৭

ঙমিবা মহাক অতূনা অসিশিং অসি ফংজগনি, অতুগা ঐনা মহাক্কী ঈশ্বর অমসুং মহাক্না ঐগী ইচা নিপা ওইগনি।

ফোংদোকপিবা ৩ : ২১

ঐনা ঙমহূনা ঐগী ইপাগী ফম্বান্দা ইবুংঙো মহাক্কা ফম্মিন্নরবা অতুগুম্না, ঙমলিবা মাঙোন্দসু ঐগা ঐগী ফম্বান্দা ফম্মিন্নবা পীবিগনি।

ঙমিবা মহাক অতুবু অসুম তৌনা অঙৌবা ফিরোন থোনবিগনি ; অমসুং ঐনা মহাক্কী মমিং অতু হিংবগী লাইরিক্তুগী থক্ মুথৎপিরোই, অতুগা ঐনা মহাক্কী মমিং অতু ইপাগী অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী দূতশিংগী মাংদা য়াবিগনি। ফোংদোকপিবা ৩ : ৫

# খাইনবগী মরমদা ঈশ্বরগী য়াথং

মাথী ৫ : ৩২

তৌইগুম্বসুং ঐনা নখোয়দা হায়রি, লান্নবা থবক্কী নত্তনা মুপী খাইনবা মী থুদিংমক্না মাবু মরা লান্নবী ওইহল্লবনি ; অমসুং কনাগুম্বনা খাইনরবী মহাকপু লুহোংলবদি, মুগী লান্নবা থবক তৌই।

১ কোরিন্থীয় ৭ : ১০, ১১

তৌইগুম্বসুং লুহোংবশিংদা ঐনা য়াথং পীরি, ঐনা নত্তে, অদুবু প্রভুননি, হায়বদি, নুপীনা মপু রোইবদগী খাইনদসনু ( অদুবু মহাক্না খাইনরগদি লুহোংদনা লৈসনু, নত্রগা মহাক্কী মপুরোইবদা তাইশিন্নজসনু) ; অমসুং মপুরোইবা অতুনা মহাক্কী নুপীবু থাদোক্তসনু।

## খৃষ্টনা অমুক হন্না লেঙলকপা

যোহান ১৪ : ৩

অমস্যং ঐনা চত্তুনা নখোয়গী দমক মফম থৌরাং তৌরবদি, ঐনা লৈবা মফম অতুদা নখোয়স্থ লৈননবা, ঐনা অমুক লাক্তুনা নখোয়বু ইনাক্তা পুজেমগনি। মাথী ২৪ : ৩০

অমস্যং মতম অদুদা অতিয়াদা মীগী মচানিপা অতুগী থুদম উগনি, অতুগা মতম অদুদা পৃথিবীগী জাৎ পূম্নমক্না থবাক য়ৈনগনি, অমস্যং পাঙ্গনগা অচৌবা মতিক মঙানগা লোয়ননা মীগী মচানিপা অতুনা অতিয়াগী লৈচিনগী মথক্তা লেঙলকপা মখোয়না উগনি।

ঐ থুনা লাক্কদৌরি ; মী কনা অমতনা নঙগী লুহুপ লৌখিদননবা, নঙগী লৈজবা অতু চেৎনা পায়উ। ফোংদোকপিবা ৩ : ১১

# খৃষ্টনা অমুক হুন্না লেঙলকপা

১ যোহান ৩ : ২

অচানবশা, হৌজিক ঐখোয়দি ঈশ্বরগী মচাশিংনি, অমসুং ঐখোয় করি ওইগদগে হৌজিক্ ফোংদোক্ত্রি । ইবুংঙোবু ফোংদোকপিরবদি, ঐখোয় ইবুংঙো মানগনি হায়বা ঐখোয় খঙই , মরমদি ইবুংঙোনা ওইরিবমকুম্না ঐখোয়না ইবুংঙোবু উজগনি ।

মাথী ১৬ : ২৭

মরমদি মীগী মচানিপা অতুনা মহাক্কী মপাগী মতিক মঙান্দা মহাক্কী স্বর্গদূতশিংগা লোয়নননা লাক্কনি, অমসুং মতম অতুদা মী খুদিংমক্তা মাগী মাগী থবক্কী মতুং ইন্না মহৈ পীবিগনি ।

# ঈশ্বরগী ৱাহৈ

ঈশৈ লাইরিক ১১৯ : ১১

ইবুংঙোগী ৱাহৈদি ঐগী থম্মোয়গী থমজিল্লরি, মরমদি ইবুংঙোগী মায়ওক্তা পাপ তৌদনবনি।

ঈশৈ লাইরিক ১১৯ : ১০৫

ইবুংঙোগী ৱাহৈদি ঐগী খোঙগী থাউমৈনি, ঐগী লমজিং মৈঙালনি।

২ তীমোথিয় ৩ : ১৬, ১৭

শাস্ত্র খুদিংমক ঈশ্বরগী স্বোরদগী ওইবনি, অমসুং ঈশ্বরগী মীনা অফবা থবক্ খুদিংগীদমক্ মপুং ফানা লাঙলহনা চংখোনবা ওইননবা, তম্বিনবগী দমক্, ৱারক্লবগী দমক্, চুমহনবিনবগী দমক, ধর্ম্মচেনবগী মরীদা তাকপিনবগী দমক কান্নবনি।

For more information or to request a free Bible study, please write to:

India IM

Assam Manipur, Kankan

Nagaland

Tripura

Meithei

53 Manipuri

MNR

4/94